ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা জাদোনাং পার্কতা পাঙথোকখিবা ফ্রীদম ফাইটর অসিগী ৯৩শুবা লৈখিদবগী কুমওনদা মায়খুম হাংদোকখিবা মহাক্কী মীতম অমসুং থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবশিং

পোৎ চৈগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লিবসি ... ☛ লামায় ৩
লামায় ৪ ☛ মণিপুরগী সোসল মীদিয়াসি হেনমন্দ্রিবরা?
মরাল লৈবশিং ফাদ্রে, মরাল লৈতবশিং ফারে, অচুম্বা ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ সনামহি লাইনিংগী পোকপদগী শিবা ফাওবগী ইরাৎ...
থম্মোয় পাউদম : ধর্ম্ম লৈবা, ধর্ম্ম খঙবা ☛ লামায় ৮
লামায় ১২ ☛ নেসনল স্পোর্টস দে তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ...

থৌবালগী কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) না 'ইমাগী মিংদা উ অমা' গী কেম্পেন হৌদোক্তুনা কে ভি কে অসিগী কেম্পসতা সিনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং হেদনা লুচিংদুনা উ চারাশিং থাখিবা



Vol. 48, Issue No. 147 | ইরাই, থৱানগী ২৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, August 30, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা হেন্দ গ্রেনেদ ২ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৪০ রোম তারকপদা লম্ফেল পি এসতগী মখা রোমদা শুপ্পতগী মিটর ১০০ রোমদমক লাপ্পনা লৈবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) গী ওফিসতা ফোর হ্বিলর গাড়ী অমদা লাকখিবা মীওইশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অনী মথং-মথং লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে অদুম ওইনমক থৌদোক অসিনা ওফিস অসিগী শরুক খরা অকায় অতোয় থোকপা নত্তনা মীওই অমত্তা অশোক অপন নংহৌদ্রে হায়রি।

থৌদোকসিগী পাউ হেক তাবগা মণিপুর পুলিসকী এদ্দিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এ দি জি পি) এল কাইলুন, ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) থেমথিং ঙসাংভা অমসুং দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি আই জি) এন হেরোজিৎনা লুচিংবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ওফিসর অমদি পর্সনেলশিং পাইশিল্লত্তুনা য়েংশিল্লখি।

থৌদোক অসিবু য়েংশিল্লখিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা রিমস রোমদগী থৌরকখিবা



লম্ফেলদা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা মতুংদা পুলিসনা য়েংশিনবা

গাড়ী মচা অমদা লাকখিবা মীওই অনীনা য়ু সী এমগী ওফিসকী গেট মমাঙদা মিনট খরা খামদুনা লৈরমখি। মখোয় অনীনা গাড়ী মচা অদু গেট ময়াদগী থৌদোকখিবগা ইকান কান্নদনা রিমস রোমদগী থৌরকখিবা ফোর হ্বিলর অমনা ওফিস অসিগী গেট মপা য়ৌরকপদা লক্কক তৌরগা গ্রেনেদ অনীদু মথং-মথং লংশিল্লমখিবনি অদুগা ত্রাফিক আইলেন্দ অদু কোয়রগা থৌগৎখি। অদুবু গাড়ী অদু সনাকৈথেল লোমদা থৌখিব্রা নৎত্রগা রিমস রোমদা অমুক হনখিব্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি। থৌদোক থোকফমদগী শকখঙদবশিংনা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লমখিবা গ্রেনেদ অনীদুগী পিন অমসুং বোমগী মচেৎ খরা পুলিসনা রিকোভর তৌরে হায়রকখি। অদুগা থৌদোক অসিগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# সফিসিএন্ট ষ্টোককী খুদোল : মীয়াম্বু কয়াম কুইনা নুংশাদা য়াইফৌ ফৌহনগদৌরি

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী লাইফ লাইন ওইরিবা হায়ৱে অনীমক্তা লেপ্তুনা চুখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা চীং নীংখাইরকপা অমদি লম্বী কিন্থখিবা য়াওনা ফীভম শোক্লা লৈরকখিবা লম্বীশিং লান্দুনা চৎপদা খুদোংচাদবগা লোয়ননা বন্দ-ব্লোকেদকী খোঙজ ংসু চঙশিনখিবনা মরম ওইরদুনা মহৌশাগুম্না ওইল টেঙ্করশিং মরাং কায়না লাকখিদ্রবসু সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর অমদি দিরেক্টরনা ষ্টেট অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী 'সফিসিএন্ট ষ্টোক' লৈরি হায়রবসু পম্পশিংদা পেট্রোল হৈক্রু মনাদা য়োমদুনা পীবদগী ঙসিসু মরু ওইবা পম্প খরদা পেট্রোল লিটর খরা ফংনবগীদমক নুপী য়াওনা মীওই কয়ানা য়াল্লবা নুংশাগী মৈশাদা য়াইফৌ ফৌদুনা ক্যু লেপ্পখি।

মীয়াম্না অয়ূক্তগী হৌরদুনা নুংথিলগী অঙনবা মতম ফাওবা খত্তংদা পীবা কোন্নবা পেট্রোলশিং পম্পশিংনা য়েন্থোক্ল রিঙৈদা লৌহৌনবা থোমজিন্নরকখি। পম্পশিংগী মনাক্তা অমসুং



অয়াম্বা মফমদা পেট্রোল লিটরদা লুপা ১২০দগী ১৮০ ফাওবা য়োনখৎনরকপগী লাংদা থুদনবসু অয়াম্বনা হোৎচিন্নরকখিবনি।

সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টরনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫ য়াওনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরগী ফাওবা কোনশিন্দুনা ওইল পম্পশিংদা পেট্রোলগী এলোকেসন অকক্লনা তৌরকখিবগা লোয়ননা পম্পশিংদা লোয়শঙ অসিগী ষ্টাফশিং অমদি পুলিস পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌনবগী ওর্দর ফাওবা মনম-মনম থোকখিবনি। ঙসিমকসু ওইল পম্পশিংদা পুলিস পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌবীনবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিশিংদা অইবা চেরোল অনীরকশুবা ওইনা পীখি। অদুগা পম্পশিংদগী থাও লৌবা লাকপা মীওইশিংনা জেরিকেন অমদি অতৈ বোট্টলনচিংবদদি লৌবা য়ারোই হায়বগী অকনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়শঙ অসিনা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌওং অসিদা মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

মীওক মীচান ফবা মণিপুর লৈঙাক্কুম্বা লৈরমখিগদ্রা

# এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বদগী সুপরএন্যুএসনদা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা এম ঐচ খানবু লোয়শঙ ৫গী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরি ওইহল্লিবা করিগীনো

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগী রেঙ্ক এন্দ ফাইলদা মথৌ পাঙথোরকখিবা ওফিসর/ষ্টাফশিংগী মনুংদগী সুপরএন্যুএসনদা মশানা পায়রিবা ফমদগী রিটাইয়র্দ তৌরবা মতুংদা অতোপ্পা ওর্দরশিং থোক্তুনা মখা তানা লৈঙাক্কী থবকশিং পুহনবগী থবক তোয়না থোক্লকপনা মণিপুর লৈঙাক্কুম্বা মীওক মীচান ফবা লৈঙাক অমা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা য়াওরমগদ্রা হায়না হংনরক্লিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (এ সী এস) ওইনা থৌ পুরম্বদগী সর্ভিস মতম লোইরদুনা সুপরএন্যুএসনদা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা ময়াম্না এম ঐচ খান হায়রগা হেন্না খঙনবা মমনুন হাসন খান (রিটাইয়র্দ আই এ এস) বু লৈঙাক অসিগী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙ ৫গী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং ওইনা পুহল্লক্লিবা করিগীনো হায়বগী ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লে।

ওফিসর অসি মণিপুর কেদরগী কুমজা ১৯৮৮গী আই এ এস ওফিসরনি। লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বদগী সর্ভিস মতম লোইরদুনা সুপরএন্যুএসনদা মে ৩১, ২০২৪দা থবক্তগী পোত্থাখিবনি। মসিগী মতাংদা মে ৩১, ২০২৪দা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনল দিভিজন) গী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি পি ঐচ ভবানন্দনা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোকখিবনি।

মহাক্না সুপরএন্যুএসনদা সর্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থাগদৌরিবা অসি ওল ইন্দিয়া সর্ভিসেস (দেথ-কম রিটাইয়র্দমেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ঙসি য়েন্নবা পেট্রোল কিলোলিটর ৩৬৮ পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

সী এ এফ এন্দ পি দিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মীয়ামদা পেট্রোল ফংহন্নবগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংগী মখা তারকপদা হয়েং (ওগষ্ট ৩০, ২০২৪) দা মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক ঙসি পেট্রোল কিলোলিটর ৩৬৮ পীখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টরনা পুলিসকী এস পিশিংদা পেট্রোল পম্প/রিটেল আউটলেটশিংদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থম্বীনবা অনীরকশুবা ওইনা ঙসি ইদুনা পীখিবা চেরোল অমগা কোন্ননা ফোঙদোকখিবনি।

পেট্রোল কিলোলিটর ৩৬৮ অসিনা মীয়ামদা য়েনগদবা অপূনবা পম্প ৫৯গী মমিং য়াওরি। অদুবু পম্প ৫৯ অসিগী মনুংদা পম্প খরগী মমিংশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন হাপচিনবসু য়াওরি। অদুগা অয়াম্বা পম্পশিংদা কিলোলিটর ৪দগীনা ৮ ফাওবদং পীবনা হয়েংসু মখা তানা মীয়াম্না ক্যু লেপ্পখিগদৌরি।

# ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী কিলোমিটর ৫০ রোম ফীভম থীনা শোক্লে : এম দি এ

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

এন ঐচ ৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী লৈঙাংপোকপীদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা লায়েংলক্লিবা সেকেন্দ দ্রাইভর প্রদিপ শক্লৌলা

মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসননা অশোকপা সেকেন্দ দ্রাইভরদা শেলগী মতেং পাংখ্রে



(৩০) অপোকপা লক্ষমন প্রসাদকী লায়েংবদা মতেং ওইনবা মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (এম দি এ) না শেলগী মতেং পাংখ্রে। ঙসি ইম্ফাল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# আর বি আইনা বেঙ্কিং রিগ্যুলেসনশিং ঙাক্তবগীদমক চৈরাক পীবদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক য়াওরে

**ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিদা লৈরিবা বেঙ্কশিংনা ঙাক্লা চৎকদবা বেঙ্কিং রিগ্যুলেসনশিং থুগাইদুনা ঙাক্লা চৎতবা বেঙ্কশিংগী মথক্তা রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) না লৌখৎলকপা অকনবা থবক্তা বেঙ্ক অনী থেংনদুনা মখোয়গী মথক্তা চৈরাক পীবদা ষ্টেট অসিগী মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ (এম এস সী বি) য়াওরে হায়না এজেন্সীগী পাউ অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পাউ অসিনা হায়, আর বি আইনা থেংনখিবা বেঙ্কিং রিগ্যুলেসনশিং থুগাইবা অতোপ্পা বেঙ্ক অদুনা কট্টক্তা লৈবা অর্বান কোওপরেটিভ বেঙ্কনি হায়রি। বেঙ্কিং রিগ্যুলেসনশিং ঙাক্লা চত্তবগীদমক বেঙ্ক অনীসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# অৱাসকী শো রুম, রো মেটরিএলগী সপ্লাই সেন্টর অমদি চ্যেরমেনগী কা ছো লোনশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ (অৱাস) কী বোর্দ ওফ দিরেক্টরস (বি ও দি) খনবগী মীখল নম্ফুদা পাঙথোক্তুনা বোর্দ ওফ দিরেক্টরস হাপচিনখিবশিং অদু চৎনবা য়ারোই অমদি অৱাসকী মনুংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং অথুবা মতমদা লোইশিল্লু হায়বগী খোঙজংদা ঙসি ইম্ফালগী পাওনা কৈথেলদা লৈবা অৱাসকী শো রুম, রো মেটরিএল সপ্লাই তৌফম অমদি চ্যেরমেনগী ওফিসকী কা ছো লোনশিনখ্রে।

মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী ৱাথোক মপান থোরক্লে



ঙসিগী খোঙজং অদু বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী মীখলদা মীরেপ ১৫ চোঙথোরকপগী মনুংদা ঈচাওনা মরম ওইরদুনা অৱাবা তারবা সোসাইটি অমদি মেম্বরশিংগী য়েংদুনা অৱাসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# 'লান অসি তশেংনা লোইবা ওইরবদি মৈরা পায়বীনা ওইনা লৈঙাক্তা খূৎলায় থিনগৎকনি'

খুলঙাকপশিংগী খূৎলায় ফাগৎখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী লল্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা সেক্তা অৱাং লৈকায়দগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙৱাং খুল ঙাকপশিংগী খূৎলায় ফাগৎখিবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না সেক্তা ময়ায় লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা হিজম ববিতা কৌবী মৈরা পায়বী অমনা ফোঙদোকপদা সেক্তা অসি রেদ জোন ওইরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# মথং চহী ২০২৫গী একাদেমিক সেসনদগী অসামদা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌরগনি : আমসু

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** অসামদা মীতৈশিংনা নম্না তাবা মফমশিং য়াওনা মণিপুরী লোলবু ষ্টেট অদুগী ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনবীনবা তক্কদুনা লাকখিবগী মনুং চন্না মথং চহী ২০২৫গী অসামগী একাদেমিক সেসন হৌরকপদগী মীতৈ ময়েক তম্বা হৌরগনি হায়না অসাম লৈঙাক্না মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলকপদা অসামদা লৈজরিবা মণিপুরী মীয়াম্না নুংঙাইবা ফাওই হায়না ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু) গী প্রসিদেন্ট ঙাসেম সনাহলনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মহাক্না পাউচে অসিদা হায়, অসাম লৈঙাক্না মণিপুরী লোলবু অসামগী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইরগনি হায়রকপগীদমক্তসু অসাম লৈঙাকপু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মণিপুরী লোলবু অসাম লৈঙাক্কী এসোসিএট লেংগ্বেজ



ওইরগদবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি হোজাই, হৈলাকান্দি, কছার অমসুং করিমগঞ্জনি । দিষ্ট্রিক্ট মরি অসি মীতৈনা নম্না খুন্দাবা মফমনি। অদুগা হায়রিবা অসিমক ওইহন্নবগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু ইকায় খুম্নবা উৎপা কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী কঞ্জ্যুমর এফেয়রস, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী ষ্টেট মিনিষ্টর নিমুবেন জয়েন্তিভাই বম্ভানিয়াবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা ঙসি নুমিদাং রাজ ভবনগী দরবার হোলদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিনা কলচরেল প্রোগ্রাম অমা উৎখ্রে।

পনবা য়াবদি, মহাক্না ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবদা মণিপুরগী সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমনা এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখিবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়দা মণিপুর লৈঙাক্না পীগনি হায়খিবা মতেং অদু পীবিদুনা ঐখোয়গী অৱাবা অমুক্তা কোকহনবীয়ু : তোম্বী

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
থিঙ্কাংফাই য়াইফকোলদগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা অতম্ননা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চত্থরকপদগী চূড়াচান্দপুরগী থিঙ্কাংফাই য়াইফকোলদা লৈরম্বদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা নিংথৌখোংগী মঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএসনদা চঙফম লৌরক্লিবী থিয়াম তোম্বী লৈমা (৪৩) মপুরোইবা থিয়াম বিনোইনা পাউচে অসিদা হায়, লান হৌরকখিবা নুমিৎ অদু ঐগী ইচা ৪গী মনুংদা লাইবক থীবদগী লৈখিদ্রবা ইচা অমগী থাগী উৎসব কৎপা হেক নোংঙানবগা হৌরকখিবনি। ইশাগী য়ূম-কৈ মৈ থাদুনা তান্থোকপীরকখিবনি। চূড়াচান্দপুরগী থিঙ্কাংফাই য়াইফকোলদা লৈরিঙৈদা ফিশা-লোনশা তৌই, য়ুমদা শা-ষণসু লোয় অদুগা ইপুরোইবনা চেক শূবা চৎলি। ইবানিনা তানবা শেলনা ইমুং পুবদা নত্তনা ইচাশিংবু লাইরিক লাইশু তমহনবা ঙম্মী। অদুবু হৌজিক্তি ইচা অমা কায়নবগী অৱাবগী মথক্তা ইশাগী য়ূম-কৈ মৈ থাদোকপীদুনা অমদি ইচানা তাইবঙপাল থাদোক্ত্রিঙৈদা হরাও-হরাও লৈমিন্নখিবা য়ূম অদু উবা ফংলক্তবনিনা ৱাখল অসি লৈতাফম খঙদ্রে। লৈখিদ্রবা ইচানা অঙাং ওইরিঙৈদা নমদুনা থমজখিবা ফোটো এলবম অদুখক্তা ওইরবসু লৌথোকপা ঙমজহৌরল্লবদি ইচাগী নুংশিবা শক্তম ঙসিসু উবা ফংগদবনি হায়না খল্লুবদা নীংঙমদবনা পীক থল্লে। অমুক হন্না উবা ফংলরোইদবা ইচা অদু খক নত্তনা ইচাগী



ফোটো ফাওবা উজবা ফংদ্রে হায়না মমিৎতা মপি তানা পাউদল্লকখি।

রিলিফ কেম্প অসিদা মতৌ করম্না য়ৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না ৱারী লীরদুনা হায়, মে ৩, ২০২৩দুদা চীংমীশিং অনম্বনা কুকিশিংনা পিছ রেল্লি চৎখি। ঐখোয়দি হান্নদগী চূড়াচান্দপুর অসি শকমান লেংমান্নদবা কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নবনিনা ঈরাং অদুম থোক্লগা রেল্লি খরা চৎ, বন্দ খরা তৌ, ঈরাং শুংলেপ লেপ্তুবা লম ওইবনিনা নুমিৎ অদুসু ঈরাং খরা তৌজবনি। ঐখোয়দা করিমক্তা অকায়বা তৌরক্কনি খল্লুদনা ঐহাক্তি ঐনা লোয়জরিবা য়েন-ঙানুশিংগী মচীঞ্জাক থারগা লৈরম্বনি। অদুবু নুংথিলগী পুং ৪/৫ রোম তারকপা অদুৱাইদা তোর্বুং বাংলাদা কুকিশিংনা মীতৈ মচাশিং ফু-চৈবা অমদি মীতৈগী য়ূম-কৈশিং মৈ থাবা হৌরক্লে হায়বগী পাউ তারকখি। অদু ওইরবা ফাওবদা সিফাইশিংনা খামদোকচগনি খল্লগা ইশাদা করিসু থোইনা থৌ-ৱা শারুদে। (মথং-মথং)

এম এল এগী হাউস গার্দতগী নোংমৈ লাকখিবগী ৱাথোক

# পুলিসকী এ এস আই ১, হেদ কন্সটেবল ১, ভি দি এফ ২ অমসুং চৌকিদার ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৭কী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা সেকমাই পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা অৱাং লৈকিন্থবীগী মফম অমদা লৈবা থাংমৈবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষণগী ফার্ম অমদগী শকখঙদবশিংনা পুলিসকী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমনা লুচিংবা হেদ কন্সটেবল অমা অমসুং ভি দি এফ পর্সনেল ২ পূন্না পর্সনেল ৪দা ইস্যু তৌবা সেল্ফ লোদিং রাইফল (এস এল আর) অহুম, কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৮০ য়াওবা মেগজিন ৪গা কোন্ননা লাকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা সেকমাই পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা পুলিস পর্সনেল ২, ভি দি এফ পর্সনেল ২ অমসুং ফার্ম অদুগী চৌকিদারগা পূন্না মীওই ৫ ফাগৎখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফারবশিংদি এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর লোংজম জয়েন্ত (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল মনি, হেদ কন্সটেবল মৈস্নাম কৃষ্ণদাস (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা শ্রীদাম, পথাকানি (অসাম), ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা খুম্বোং মনীং লৈকায়দগী মাইবম সঞ্জিৎ (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ধনঞ্জয়, হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকায়দগী ওইনাম বন্তি (৩০) ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫